# মণিপুরদা হোক্কিগী স্পোর্টস একাদমি অমা লিঙবদা ওলিম্পিক মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় শোইদনা পুথোকপা ঙমগনি



কে ঐচ প্রিয়োকুমার
*(হোক্কি-ষ্টেট কোচ)*



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

মণিপুরদগী ওলিম্পিক মেদল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোয় শেমগৎসি হায়বা তারবদি হোক্কি মশান্নগী ওইবা স্পোর্টস একাদমি লিঙগদবনি। হৌজিক মতমসিগা চানবা হোক্কিগী একাদমি অমা হেক থন্বদা ওলিম্পিক য়ৌবা ঙম্বা হোক্কি প্লেয়র মণিপুরদগী ফনা য়াম্না থোরক্কনি। ৱাফমশিং অসি য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা হৌজিক হৌজিক অমত্তা ঙাইরবা হোক্কিগী কোচ ওইনা লৈবিরিবা খুন্দোংবম প্রিয়োকুমার সিংহনা ফোঙদোকপিরকখিবনি। মখা তারদুনা ওজা অসিনা মশামক্কী ৱারীগা লোয়ননা হোক্কিগী মতাংদসু ৱাফম কয়ামরুম হায়বীরকখি। হোক্কি অমদি ফুটবোল হায়বা গেম মখলসি মণিপুরী মচাশিংনা পাম্না শান্নরকখিবা মশান্না ঙাক্তনি। ঐহাক ইশামকসু হোক্কি অমদি ফুটবোল অনীমকসি য়াম্না পান্নকখি। অদুগা ঐনা লৈজরিবা বামোন লৈকাই মঙ্গে মখোঙ, মসিগী অকোইবসি মতম অমদা হোক্কিদা, ফুটবোলদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মমিং লৈখিবা প্লেয়রময়াম অমসু লৈবা মফম অমখক্নি। ঐনা পুঙকক চাওরকপা মতমস্বাইদা ঐগী হেক ইয়াম্বা পুর্নাচন্দ্র মহাকসু ফুটবোল শান্নরম্মী। অদুনা শান্নবসি ঐসু পামজনা হৌজরকখি। অদুবু ঐবু পোকপা পাবুঙ (খুন্দোংবম ইবুংঙোহল) অমদি ইমা (খুন্দোংবম ওংবী অচৌবী)নদি শান্নবদা থৱায় য়াওবসি কয়া পান্নকখিদে। পাবুঙনা পামজবদি লাইরিক-লাইশুদা পুক্নিং চঙবনি। অদুনা শান্নবরোমদা হেন্না চৎখিদনবসি কন্না হোৎনরকখি। সিনিয়রশিংগী মতুং ইন্দুনা খরা হুরান-হুরান চৎতুনা শান্নজরক্লগসু য়াম্না ফ্রি ওইনা ইনিং তম্না শান্নবদি কয়া ফঙলকখিদে। ঐখোয়না শান্নজরকপা মতমদদি ব্রহ্মপুর য়ুথ ক্লবকী শান্নফম লম্পাকসি হৌজিক হৌজিক বামোন লৈকাইগী ৱাটর রিজর্ভর লৈরিবা সিদা ওইরকখি। পীশক পীকপা লম্পাক ওইনা হৌজিক লৈরিবসি মহৌশাদি খরা চাউতক্না লৈরম্মী। শান্নবা অসিসু ঐখোয় মতমদদি লৈকাই লৈকাইদা চৎলগা শান্নবসি য়াম্না তৌনরম্মী। নোংমনা মৈহৌবম লম্পাক্তা (ৱাংখৈগী), নোংমনা ৱাংখৈগী লাইশ্রম হরাওফম লম্পাক্তা, নোংমনা বোকুল মখোঙগী লম্পাক্তা টিম পুল্লপ/পুল্লপ শেমদুনা চৎলগা হোক্কি শিঙনরুবা, বোল শিঙনরুবসি ঐখোয় মতমগী প্রেক্টিস মওংনি। স্কুল ছুটি থাবগা নুংথিলগী মতমসিদি ঐখোয় শান্নরগা অয়াম্বা মতম লেল্লকখি। শান্নবমখৈ শান্নরুরগসু হল্লকপগা খোঙ-খুৎ হামদোক্লগা ঈরুজথোক্লবা মতুংদদি, ঐখোয় অহল লমন কিবদগী নুমিদাংগী চাক ঙাইবা ওইনা লাইরিক ওৱাইদবদি য়ারক্তে। ঐগী ইয়াম্বশিংসু লাইরিক-লাইশুগী মী ঙাক্তা ওইবনিনা ঐনা শান্নবা পামজদুনা কোইনা চৎতুনা শান্নরুরগসু নুমিদাংগী মতমদদি ঐহাক লাইরিকসি চাং নাইনা পারকখি। মসিগী রুটিনসি হেক কায়বদা শান্নবা ফঙলোইদবগী ৱাফমসু লৈবনা অমসু অমসু কায়দনবসি কন্না হোৎনজরকখি। পাবুঙ অমদি ইমা, ইয়াম্বশিং পুম্নমকসি থকসি-খাশি অমগী মখাদা কিনা লুনসু লোইনরকপনিনা মখোয়না হায়বসু ঐহাক ঙাক্লা চৎচরকখি।

লাইরিক লাইশু তম্বসিদি অহানবা ওইনা লৈকাইগী স্কুল মোর্দন জুনিয়র হায়স্কুলদা কাজরকখি। ক্লাস সিক্সতগীদি রাম লাল পোল স্কুলদা তমজরকখি। রাম লাল পোল স্কুলদা কারকপা মতমসিদা য়াইস্কুলগী আর কেনুপেনগা (হোক্কি প্লেয়র নেসনল) ঐখোয়সি অমুক পুল্লকখি। কুমজা ১৯৭৫দা স্কুলসিদগী ঐহাক মেত্রিক পাস তৌজরকখি। অদুদগী মণিপুর কোলেজদা সাইন্স লৌরগা পি য়ু সি লোইশিল্লবা মতুং দি এম কোলেজদা আর্টসতা ওন্থোক্লগা অমুক তম্লকখি। শান্নবসিসু খরা খরা য়াওরকপদুনা সাইন্স লৌবদু খীত্তং চানদবসু লাকখি। কুমজা ১৯৮১ সিদা ঐহাক জুনিয়র নেসনল ফঙদুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নজরকখি। হায়রিবা চহীসিদা মণিপুরগী সব জুনিয়র হোক্কি টিমসি থর্দ পোজিসনসু তারকখি। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৮৪দা ভোপালদা জুনিয়র নেসনল শান্নবসু য়াওজরকখি। গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুংদা অম্বাবতিদা কুমজা ১৯৮২-৮৩দা বেচলর এন্দ ফিজিকেল এদ্যুকেসনসু তৌজরকখি। মখা তারকপা ওইনা কুমজা ১৯৮৭-৮৮ সিদনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ পটিয়ালাদা কোচিং ইন দিপ্লোমা অমুক লোইশিনজরকখি।

ঐহাক্না য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্ট দিপার্টমেন্টতা অহানবা ওইনা থবক চঙজরকখিবসি কুমজা ১৯৮৬তনি। থবকসি ঐহাক পি ই দি ওইনা জোইন তৌজরকখিবনি। কুমজা ১৯৮৬তা ঐহাক্কী অহানবা পোষ্টিং মফমসি জিরিবামগী লালপানি হায়স্কুলদা পীথিরকখি। মফমদুদা চহী মঙারোম লৈজরম্মী। কুমজা ১৯৯১ স্বাইদা অমুক বালিখোং হায়স্কুলদা অমুক লাকখি। হায়রিবা মতমসিদা মাষ্টর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন অসি তৌথনিংবদগী অম্বাবতিদা ভোকেসন্নেল কোর্স ওইনা মতম মতমগী সম্মর কোর্সতা চহী মরি চঙনা তম্লগা লোইশিনজরকখি। মাষ্টর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন লোইরবা মতুং কুমজা ১৯৯৭সিদদি ঐহাক পি ঈ টিদগী কোচ ওইনা প্রমোসন কাজরকখি। তৌবগীবুদি কুমজা ১৯৯২গী মতমসিদা ঐহাক কোচকী প্রমোসন কাবদি য়ারবনি। অদুবু কাবদি ঙমহৌদ্রে।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৯৭ সিদা (য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী) কোচ কাজরকপদগীদি মতম মতমগী ওইনা হোক্কিগী শান্নরোয় অঙাংশিং শেমগৎপদা য়াওজরকখি। অদুবু ঙসিদি হান্না লৈবীরম্বা সিনিয়র কোচশিং মথং মথং থবক্তগী পোত্থানখিদুনা য়াসকী ওইনা হোক্কিগী কোচ লৈরিবসি ইথন্তা ঙইরে। অনৌবা চহী নৌরিবা হোক্কিগী কোচশিং হাপ্পীদুনা অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবীবা য়ারে। কোচ লৌননবা প্রোসেস তৌরে হায়বগী পাউদি তাজরে।

মথং...মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।

৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফার্স্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।



৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী বজ্রংপুনিয়া অমসুং রবিকুমার সেমি ফাইনেল মায়থীহৌরবসু টোকিও ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইখ্রে

নুরসুল্টান, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী)ঃ

কজাক্সটানগী সিটি নুর সুল্টানদা লৈবা বে এরেনা ষ্টদিয়মদা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা ৱর্ল্ড রেষ্টিলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়া অমসুং রাবি কুমার সেমি ফাইনেলদা মায়থীখ্রবসু কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।



বজ্রং পুনিয়ানা সেমি ফাইনেলদা ঙসি ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক কজাকস্তানগী রেষ্টলর দোলেট নিয়াজবেকোবকা সেমি ফাইনেল বাউট লম্বা তৌনরকপদা লম্বা য়াম্না মান্নদুনা কিলোগ্রাম ৬৫গী কেটেগোরি অদুগী সেমি ফাইনেল বাউট অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯-৯দা মান্নদুনা লৈখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না করিগুম্বা শান্নরোয় অনী পোইন্ট মান্নদুনা লৈরকপা মতমদা মায় পাকপা রেষ্টলর অদু মশক খঙদোক্লবা তাঙ্কক কয়া শেমদোক্তুনা লৈরি।

বাউট অদুদা কজাকস্তানগী দাওলেটনা পোইন্ট ৪ ফংবা থ্রো অমা তৌখিবা অদুনা বজ্রং পুনিয়া লৈহৌবনি। রবিকুমারনা কে জি ৫৭কী সেমি ফাইনেল বাউট অদু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রসিয়াগী জোর উগ্বেবকী মখুৎতা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ৪-৬তা মায়থীদুনা ওলিম্পিক্কী মঙলান থুপচিনখ্রে।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট অমসুং মনিসনা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনদুনা পুৱারী শেমগদৌরি

EKATERINBURG
aiba2019
WORLD BOXING CHAMPIONSHIPS





য়েকাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পনঘল অমসুং মনিস কোসিকনা রসিয়াগী সিটি য়েকাটেরিনবর্গতা লৈবা ইকাটেরিনবর্গ এক্সপো সেন্টরদা থা অসিগী ৯দগী শান্নবা হৌরকখিবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট মায়পাক্তুনা সেমী ফাইনেল য়ৌখিবদগী ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা বোক্সর অনীনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নপি অমদা বোক্সন অনীনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। কুমজা ২০০৯দা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপাগী বোক্সর অমা ওইনা বিজেন্দর সিংহনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবা মতুং ফাইনেল য়ৌখিদবগী ব্রোঞ্জল মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্কী মতুংদা কুমজা ২০১১দা বিকাস কৃষ্ণনসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫দা সিব থাপানসু ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং কুমজা ২০১৭তা গৌরব বিধুরিসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪না তোঙান-তোঙানবা চহীদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম ফংখিবনি। অদুবু চৎলিবা চহী অসিদা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবা হরিয়ানা মচা অমিট পনঘল অমসুং অতোপ্পা ষ্টেট অদুম্মক্কী বোক্সর মনিস কোসিকসু সেমীফাইনেল য়ৌদুনা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অমদা বোক্সর অনীনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

অমিট পনঘলনা ঙরাং পাঙথোকখিবা ফ্লাইৱেথ (কেজি ৫২) কেটিগোরিদা ফিলিপিন্সকী বোক্সর কার্লো পলামবু পোইন্ট ৪-১দা মায়পাক্তুনা হয়েং সেমীফাইনেলদা য়রোপপিয়ন চেম্পিয়ন অর্মেনিয়াগী বোক্সর এর্টর হোবানিসিয়নবু মায়থীবী পীরম্বা কজাক্সটানগী বোক্সর সাকেন বিবোনিসোবকা লম্বা তৌনগনি।

নাকল অমরোমদা লাইথ ৱেথ কেটিগোরি (কেজি ৬৩)দা ইন্দিয়াগী মনিস কোসিকনা ঙরাং মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগী বোক্সর ৱান্দর্সন দি ওলিভৈরাবু পোইন্ট ৫-০দা মায়পাক্লবা মতুং হয়েং সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান বোক্সর ওইরিবা ক্যুবাগী বোক্সর পান অমেরিকান গেমসকী গোল্ড মেদল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা বোক্সর এন্দি গোমেজ ক্রুজগা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

# চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী পোর্নপাৱিগী মখুত্তা মায়থীখ্রে

শাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় পোর্নপাৱি সোচুৱোংগী মখুত্তা মায়থীহৌরে।



পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী শান্নরোয় পোর্নপাৱি সোচুৱোংগা মমাংদা থেংনখিবা মেচ অহুমদা অহুম্মক মায়পাক্তুনা লাকখিবনি। ঙসিগী অনীশুবা মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা সিন্ধুনা য়াম্না ফজনা পোইন্ট ৭-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অদুবু মেচকী অহানবা হাফ অদুগী ব্রেক মতমদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় অদুনা খেৎনখিবা পোইন্ট অদু ১০-১১দা হন্থহনখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অমুক ফজরক্তুনা পোইন্ট ৮ থংন-থংননা লৌবা ঙমদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১২দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদা থাইলেন্দগী পোর্নপাৱিনা হেন্না ফজরক্তুনা ৫-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি। সিন্ধুনা ফনা কন্না হোৎনরক্লবসু থাইলেন্দগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ১৫-৭তা মাংজিল থাদুনা লৈখি। সিন্ধুনা মখাতানা ফজবা ঙমখিদবদগী পোর্নপাৱিনা ২১-১৩দা থোইরবা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীম্মক য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা পোইন্ট কা-হেন্না মাংজিল থাবা ঙম্নখিদে। অমনা অমগী পোইন্ট মুন্নদুনা শান্নরকপা অদুনা মেচকী লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ১৯-১৯দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী মখাতাবা পোইন্ট ২ থাইলেন্দগী শান্নরোয় পোর্নপাৱিনা লৌখিদুনা ২১-১৯দা থোইবগী পি ভি সিন্ধুনা চাইনা ওপন বেদমিন্ট টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোয় লু গুৱাং জুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৯, ২১-১৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপপু ২৩-২১, ১৫-২১, ২১-১২দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় এন্থোনি গিন্টিংগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি জপানগী পেয়র টাকেসি কমুরা অমসুং কৈগো সোনোদাগী মখুত্তা ১৯-২১, ৮-২১দা মায়থীহৌখি। নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অশ্বিনি পোনাপা অমসুং সিকি রেদ্দি জপানগী পেয়রগী মখুত্তা মায়থীহৌখি।

# কুমজা ২০২০ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা টুর্কমেনিষ্টানবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখ্রে

টাস্কেন্ট, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী)ঃ

বহারেননা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেনসন টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'বি'গী য়ুম্বু ওইরিবা উজবকিস্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বালিফায়রগী অহানবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম্না টুর্কমেনিষ্টানবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুন য়াম্না ফজবা মওংদা কেম্পেন হৌদোকখ্রে।



এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ১১না য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা লৈবাক ৪৭না শরুক য়ারিবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী টিম অসিনা ঙসি টুর্কমেনিষ্টানগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা হৌখি।

বোল কন্ট্রোল হেন্দুনা এটেক তৌবগী চাংসু ইন্দিয়ানা টুর্কমেনিষ্টানদগী হেনখি। টাস্কেন্ট সিটিগী ট্রান্সপোর্ট ইন্সটিট্যুট ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ২৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা নোংমৈকপম স্রিদার্থনা কাওশিনখিবা বোল অমা টুর্কমেনিষ্টানগী গোলকিরনা ঙাকথোকখি অদুবু মনাক্তা লৈখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় শুভো পোলা রিবাউন অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

টুর্কমেনিষ্টানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু ইন্দিয়াগ দিফেন্স লাইনদা লৈরিবা মণিপুর মচা সিংসোন অমসুং এনিস মজুমদারগী মশান্নদা কান্নবা অমত্তা ফংখিদে।

অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট য়ামশিল্লক্তুবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লোইতোংবম টাইসননা পীরকপা পাস অমদা নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়ানা টুর্কমেনিষ্টানবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লোইতোংবম টাইসননা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ৫৫শুবা মিনটতা চন্দুনা হেনখিবা পাঞ্জল মশিং ৩ য়ৌহনখি।

পাঞ্জল অহুম শোথদুনা লৈরবা টুর্কমেনিষ্টানগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না পাঞ্জল হন্দাক্লবা হোৎনরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী মিদফিল্ডদা লৈরিবা সুখাম য়োইহেনবা অমসুং লৈমপোকপম সিবজিৎকী অপুনবা পাঙ্গলনা টুর্কমেনিষ্টানগী শান্নরোয়শিংগী হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাহনখি।

মেচকী লোইশিল্লমদাই ৯০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখাতানা চথখিবা এটেক্ট অমদা হিমানসু জনগ্রানা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখ্রবা নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু ইন্দিয়না টুর্কমেনিষ্টানবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা গ্রুপ 'বি'গী মকোক ওইদুনা লৈরি। হয়েং ইন্দিয়ানা বহারেনগা লম্বা তৌনগনি।

# এসিয়ন টেবল টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী পেয়র সরথ অমসুং সাথিয়ান ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

য়োগ্যকর্টা, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি য়োগ্যকর্টাদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র সরথ কমাল অমসুং জি সাথিয়ান ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা টিম চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াখিবদা চেম্পিয়ন্স দিভিজন্দদা ৫শুপা পোজিসন তাখ্রবা মতুং ফর্ষ্ট দিভিজন্দা মকোক ওইদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী নুপাগী পেয়র সরথ কমাল অমসুং জি সাথিয়াননা বহারেনগী পেয়র মহফুদ সায়দ মুরটাদা অমসুং রাসিদ পু ১১-৮, ১১-৬, ১১-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা চাইনাগী পেয়র লিয়াং জিনকুন অমসুং লিন গাওয়োনগা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা জের্দানগী পেয়র এবো য়ামান অমসুং অলমাইজি য়েয়েদপু ১১-৪, ১-৭, ১১-৭তা থোইরম্বনি।

পনবায়াই, এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী দবলকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী হরমিৎ দেসাই অমসুং এন্থোনি অমলরাজ চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র লিয়ু সিং য়িন অমসুং পেং ৱাং ৱৈগী মখুত্তা ১১-৫, ৭-১১, ১১-৩, ৮-১১, ৬-১১দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী, মনিকা বত্রা অমসুং অর্চানা কমাথ লোয়ননা মধুরিকা পাটকর অমসুং সটিরথা মুখর্জি মায়থীহৌখি। মনিকা অমসুং অর্চানা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী য়াং হিয়ুন অমসুং জিওন ঝিগী মখুত্তা ৬-১১, ৯-১১, ৭-১১দা মায়থীখি। মখোয়না অহানবা রাউন্দদা কজাক্সটানগী লবনোভা অমসুং গুলচেক্রাবু থোইরম্বনি। মধুরিকা অমসুং সটিরথা মেকাওগী চোং অমসুং লৈৱাইগী মখুত্তা লৈহৌবনি।